# মিনিষ্টর লেটপাউনা কাংপোকপীগী ঈচাওনা মাংহল্লবা মফমশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ঃ

ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাউ হাউকিপনা ঙসি কাংপোকপী কেন্দ্রগী এম এল এসু ওইরিবা অমদি সোসিয়েল ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর নেমচা কিপগেনগা লোয়ননা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ঈশিং ঈচাওনা শোক্লবা মফমশিং কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

মিনিষ্টরনা অহানবদা চম্ফাই সব দিভিজনগী মকুলি এরিয়াদা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার কাংপোকপী ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমসু লোয়নখি। মখোয়না লৈনাং চেন্থরকপনা মরম ওইরগা অকায় অতোই থোকহনখিবা আর সি সি থোং অনীগী ফিভম য়েংশিনখি। হায়রিবা থোংশিং অসি পি এম জি এস ৱাই গী ফন্দনা মকুলি রোদতা শাবনি। হায়রিবা লম্বী অসিসু চীং নিংখায়রকপনা অয়াম্বা মফমদা ব্লোক তৌদুনা লৈরি।

মকুলি হায়রিবা এরিয়া অসি কলি তুরেলগী হৌরকফমনি। তুরেল অসি ইম্ফাল তুরেলগা শম্নরগা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী কাংপোকপী বজার এরিয়া ফাওদুনা চেনবনি।

পাউমীশিংগা উন্নবদা মিনিষ্টর লেটপাউ হাউকিপনা হায়, ভিলেজ অসিগী খুঞ্জাশিং মখা তানা চীং নিংখায়বা অমসুং লৈনাং থোরকখিগদ্রা হায়বগী অকিবা ফাওরি। ষ্টেট সরকারগী মায়কৈদগী অরৈবা রিছোর্সনা মীয়ামগী অৱাবা অসি কোকহন্নবা হোৎনগনি লোয়ননা মীয়াম্না মীপায়বিদনবসু মহাক্না অপিল তৌখি।

ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট অমসুং আর দি এন্দ পি আর দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা অৱাবা তারবশিংগী তেঙবাংগী থবক পায়খৎকনি। অদুনা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা মপুং ফাবা মতেং পীবিনবসু মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মোরেদা ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা অচা-অথকশিং চেক তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ঃ

টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরেদা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দার্দ ইনফোর্সমেন্ট ৱিং মোরেগী দেজিকনেটেদ ওফিসার এল শুব্রতানা লুচিংবা টিম অমা ঙসি য়ুমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মার রোমদগী পুশিল্লকপা হৈরা অমদি অতে পোৎলম কয়া চেক তৌবগী থবক চথবগা লোয়ননা টেষ্ট তৌনবসু খোমগৎখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, ঙসি চথখিবা চেক তৌবগী খোঙচৎ অদুদা মোরে পুলিসকী ও সি এল ভাইফৈগা লোয়ননা মহাক্কী টিমসু য়াওখি। ম্যান্মার রোমদগী পুশিল্লকপা হৈরাশিং অমদি অতে পোৎলমশিং অদু এক্সপিয়ার দেট য়াওব্রা নৎত্রগা য়াদব্রা হায়না য়েংশিনখি। লোয়ননা হৈরা খরসু টেষ্ট তৌনবগীদমক খোমগৎখি। দ্রাইভ অদুদা ম্যান্মার রোমদগী পুশিল্লকপা হৈনৌশিং চেক তৌবদা তিন য়াওরম্বসু থেংনখি হায়রি।

ফুদ সেফটি ওফিসার এল সুব্রতানা হায়, ঙসি খোমগৎলিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি ষ্টেট তৌনবা ইম্ফালদা থারবা মতুং নুমিৎ ১০গী মনুংদা রিপোর্ট অমা খঙলগনি। মসিদা হকচাং শোকপা য়াবা পোৎলমশিং য়াওরম্লবদি ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা হৈরাশিং থিংজিল্লগনি। রিপোর্ট লাক্ত্রিঙৈ মনুংদা হায়রিবা পোৎলমশিং অসিবু মীয়াম্না চাবদা চেকশিনবীনবা আপিলসু তৌখি হায়রি।

**লমায় ১ গী মখা**

## আয়ুস হোস্পিতাল কৈরাও ফেব্রুৱারি ফাওবদা...

ঙসিগী হোস্পিটাল শাবা হৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কৈরাও কেন্দ্রগী এম এল এ এল রামেশ্বর মীতৈনা ফোঙদোরকপদা কৈরাও কেন্দ্র অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী হেল্থ সেক্টরদা শোত্থদুনা লাক্লবা কেন্দ্র অমা ওইদুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা হকশেলগী লমদা শোত্থরবা কেন্দ্র অসিদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং চংবীদুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চঙশিনবীরকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই অমসুং থাগৎপা ফোঙদোক্লিংই।

কেন্দ্র অসিগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা হকশেলগী লমদা ওইরবসু চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎলকপা মতমদা দরকার ওইবা লমশিং পীনবা মহাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। মদুগীদমক শেম শাদুনা লৈরি হায়খি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, কৈরাও অমসুং লংদুম খুঙ্গংদা লৈরিবা প্রজাশিং অসিদা হকশেলগা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী অৱাৎপা কয়া চহি কয়া লিশাং শিৎনা লাক্লি।

অনা অয়েক য়াওরকপা অমসুং অঙাংশিংগী রুটিন ইম্ম্যুনাইজেসনগী থবক থৌরমশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অসি য়েংলগা অমসুং হেনগৎলক্লিবা মীশিং অসিগী য়েংলগা লংদুম নত্রগা কৈরাওদা প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টর অমা গভর্ণমেন্টনা শাবীনবা মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিনখি।

কৈরাও কেন্দ্রগা থংনবা কেন্দ্রশিং অন্দ্রো, থোংজু অমসুং ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রগী মনুংদদি হকশেলগা মরি লৈনবা লোয়শং কয়া মরাং কায়না লৈরি। মসিগা য়েংনবদা কৈরাও কেন্দ্রগী ওইনদি হকশেলগী লমদা অৱাৎপা কয়া লৈরি হায়খি।

চহি কয়া লিশাং শিৎনা শোত্থদুনা লাক্লবা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা হেল্থ সেক্টরদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীরকপা অসিদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু এম এল এনা আপীল তৌখি।

## শাশিন্নবা স্পোর্টস সার্টিফিকেটনা নুপী পুলিসকী...

কেস অনীমক ঙরাং কোর্টসিগী জষ্টিস কেঐচ নোবিনগী বেঞ্চতা 'অন-লিষ্ট মেটর'দা লৌখৎতুনা কোর্টনা মখোয় অনীগী ৱাকৎশিং তাননবা হোৎনখি। অদুবু মখোয় অনীগী পিটিশনশিংদা য়াওরিবা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপকদবা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈগী এডভোকেট লাক্তবদগী পায়খৎখিদে। মরম অসিনা কেস অনীমক ঙসি অমুক পুন্না কোর্টসিগী কোজ-লিষ্টকী আইটেম নম্বর-১৭ অমসুং ১৮দা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱারোলশিং তারবা মতুংদা পিটিশ্নর অনীগী মথক্তা চত্থরে হায়রিবা দিঈশিং অদুগী ফাইন্দিংদগী দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা মখোয় অনীগী সার্ভিসতা শোকহনগদবা থবক অমত্তা চত্থদনবা মরক্কী ওইবা ওর্ডরশিং পীখি।

অদুগা কেস অনীসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা চয়োল মরিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্লবা মতম পীরদুনা নোটিশশিং ইশু তৌখি।

কেস অনীসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা য়াওরিবনা ষ্টেকী মায়কৈদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী নৎত্রগা কম্মিস্নর (হোম), দিজিপি (মণিপুর), এসপি থৌবাল অমসুং দিঈগী ইনক্বারি ওফিসর ওইরিবা এসদিপিও, য়াইরিপোকনি।

পনবা য়াবদি পিটিস্নর অনীগী মায়কৈদা সেনিয়র এডভোকেট ঐচএস পাউনম অমসুং এন বিপিননা লেপখি।

## পোত্থোক পুথোকপা তারবদি মদুগী মার্কেট ফংনবা...

মার্কেটিং অসি চাউখৎলকপগী মতুংইন্না মখল মখা কয়াগী মওংদা চত্থরক্লি। মতমগী মতুংইন্না ওনলাইন মার্কেটিং য়াওনা তোপ তোপ্পা মখল কয়া লাক্লে।

মার্কেটিং অসিদা তোপ তোপ্পা স্কিল দরকার লৈ। পোৎ ময়াম অসি করম তৌরগা মার্কেটিং তৌগদগে হায়বসি খন্নবা মথৌ তারে। পোৎ অমখক্তমক শারগা য়োনবনদি ওইথোকপা য়ারোই।

মপুং ফানা পোত্থোক পুথোক্তুনা মার্কেটিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মণিপুরদা শাবা পোত্থোকশিংগী মরক্তগী মালেমগী লৈবাকশিংনা পাম্নবা পোৎলম কয়া লৈরিবনি।

পোৎলমশিং অসি পুথোকপা মতমদা হৈশিংবা, লৌশিং জ্ঞানগী দরকার লৈরিবনি। পোত্থোক পুথোক্লগা শেল লাত্ত্রবদি হোৎনরিবা কয়া অদু অরেম্বদা তাগদৌরিবনি।

মসিদা পোৎলমশিং অদু এদভর্টাইজ তৌবা দরকার লৈ। পোৎ অমা শারগা পোৎলমশিং অদু করম তৌরগা মদুগী মার্কেট অমা ফংগদগে হায়বদু খঙদোকপা দরকার লৈ।

লমদম অসিগী কৌনাগী ফক অসি মপান্দা য়াম্না পাম্নবা পোৎলম ওইনা শিজিন্নরি। অদুবু কৌনা অসি দিমান্দনা হেনগৎলকপদগী মশীং শুনা পীবা ঙমদবগী অৱাবা লৈরিবনি। মসি করম তৌনা কোকহন্দুনা পোত্থোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়বসু নৈনবা দরকার লৈ।

হিরম অসিগী মতাংদা ষ্টদি তৌদুনা ওর্গনাইজ ওইবা মওংদা পোত্থোক পুথোকপা দরকার লৈ। অদুবু কৌনা থাবা উদ্রে, মসি অমুক থাবা দরকার লৈরিব্রা হায়বদু নৈনবা দরকার লৈ।

পোৎ পুথোকপা, রোমেটরিয়েল পুথোকপা মীওইশিংগী দরকার লৈ। ঐখোয় মশেল মরক্তা কম্পিটিসন তৌবগী মহুত্তা মতেং পাঙনদুনা পুন্না হিংমিন্নবা য়ানবা লম্বী থিবা দরকার লৈ।

লমদম অসিদা পোত্থোক পুথোক্লিবশিং অসি নোংমগী শুরগা হিংবা ঙাক্তনি। মসিদা বেঙ্কশিংনা করম্না থৌদাং লৌরিবগে হায়বদু য়েংবা দরকার লৈ হায়খি।

পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং অদুসু হেন্না ভেল্যু এদিসন তৌরগা পোত্থোক পুথোকপা দরকার লৈ হায়না লৌই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এম সঞ্জিভকুমার সিংহ এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টরসু শরুক য়াখি।

## এদিসি চান্দেলগী চেয়ার্মেন লুখোসৈ য়াওনা মীওই...

মহাক মশানা তাকথোকচরকপদগী পুলিস টিম অসিগা মহাক্কী লৈফমদা পুন্না চৎমিন্নদুনা থিবা হুম্বা চত্থবদা মশানা ময়ুমগী শিলিংদগী শ্যুটকেস অনী পুথোরকখি। মদুদা সাপোন মখুম অমসুং প্লাষ্টিক বেগতা থল্লম্বা য়াল্লবা হিরোইন পাউদর অমদি দব্লিউ ৱাই টেব্লেট য়াওরমখি।

মখাতানা থিগৎপদা মুং জৌনা হায়দোরকপদগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সেন্ট কেথেড্রেল চর্চকী সাউন্দ রেকোর্দর ওইবা লোরেন্স জৌ (৫০) চর্চ অসিদগী ব্রিপ কেস অমদা হাপ্লম্বা দব্লিউ ৱাই তেব্লেট ৮০,০০০ অমসুং শেল ওইনা লুপা ৪২,০০,০০০গা কোন্ননা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্ক পাসবুক অমসুং চ্যেকবুক য়াওনা ফাগৎপা ঙমখি। অমুক মহাক্না হায়দোরকপদগী লম্ফেল ক্বাটর নম্বর-১দা লৈবা এদিসি চান্দেলগী চিয়ারমেন অমদি বিজেপি লুচিংবা লুখোসৈ জৌ এলাইজ সৈসৈ জৌ (৫১)গী ক্বার্টরদা রেদ চত্থবদা দব্লিউ ৱাই তেব্লেট ২,০০,০০০, পোইন্ট ৩২গী পিস্তোল ১, কাপ্পা য়ারিবা মরু ২১, সিঙ্গল বেরেল রাইফল ১, নোংমৈ লাইসেন্স বুক ২, মেরুন মচুগী হোন্দা এক্তিভা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন ০২বি-২৩০১, অরিবা করেন্সি নোটতা লুপা ৯৫,০০০ অমদি অনৌবদা লূপা ১৩,০৩,০০০ ফাগৎপা ঙমখি।

মহাক্না হায়দোরকপগী মতুংইন্না দ্রগকী করবার অসিদা য়াওবনি হায়বা মহাক্কী পি আর ও জাখোহাও (২৮)অপোকপা জামথোং মোরে ৱার্ড নম্বর-১ অমসুং মিনলাল মাতে (২২) অপোকপা জামথে মাতে মোরে ৱার্ড নম্বর-৩সু মথং মথং ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়খি।

মখোয়দগী ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু লুপা ক্রোর ১৩ লাক্ষ ৭৮ লিশিং ৫০গী ওইগদবা হিরোইন নম্বর ফোর পাউদর কেজি ৪ গ্রাম ৫৯৫ অমদি লুপা ক্রোর ১৪ লাক্ষ ১গী ওইগদবা দব্লিউ ৱাই তেব্লেট ২,৮০,২০০ নি।

দ্রগ অমদি শেলগা পুল্লগা পুন্না লুপা ২৮, ৩৬, ৬৮, ০০০নি হায়খি।

পনবা য়াবদি, দ্রগকা কোন্ননা ফাবদা য়াওরিবা এদিসি চান্দেলগী চিয়ার্মেন লুখোসৈ জৌ এলাইস সৈসৈ জৌ ভোৎ কারক্লবা মতুং মমাঙ চহি ২০১৭গী এপ্রিল ১৭তা মহাক য়াওবা মীওই ১৪না বিজেপিদা য়াওরকপদা নিত্যাপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পিগী ওফিস্তা হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা এন বিরেন অমদি এম পিসু ওইরিবা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ ভাবানন্দনা য়াওনা ওকখিবনি।

# মোদি কেয়ার কম্পেনিনা পুথোকপা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ঃ

মোদি কেয়ার লিমিটেদ মণিপুরনা শীন্দুনা ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা তারবা তোঙান-তোঙানবা মফম ৬তা মোদি কেয়ারনা পুথোকপা পোৎলমশিং অৱা তেঙবাং ওইনা য়েন্থোকখ্রে।

মোদি কেয়ার টিমগী এম টামিলা, টি গীতারানি অমসুং ঐচ রোমিতা অমদি ও ভিক্টোরিয়ানা লুচিংবা কাংবু অমনা ঙসি ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী মনুং চনবা টোপ উপোকপী মখা লৈকাই, অৱাং লৈকাই অমসুং পোকপী থোং খোঙদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা তেঙবাং পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখি।

উপোকপী অৱাং লৈকাই বেপটিস চর্চতা ইমুং ৯০, মখা লৈকাইদা ইমুং ৫০ অমসুং থোং খোঙদা ইমুং ৩০দা হায়রিবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

থোংজু কেন্দ্রগী মনুং চনবা কোংবা উচেক্লোন, মোরিবা ইবুধৌ শঙলেন্দা হাংলিবা রিলিফ কম্পেতা লৈবা ইমুং ১৫০ অমদি উচেক্লোন মখাদা হাংবা কেম্পতা লৈবা ইমুং ৫০দসু হায়রিবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখি। অদুগা ৱাংখৈ কেন্দ্রগী মনুং চনবা নোংমৈবুং পুংদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা ইমুং ৭৫দসু মতেং পীখি হায়রি।

# শান্নরোই সঞ্জিতাদা শীরিবা মরাল অসি রেসিএল দিসক্রিমিনেসননি হায়না লৌই ঃ পি ও এফ এম

ইম্ফাল, জুন ২০ঃ

খুমুকচম সঞ্জিতাদা শীরিবা মরাল অসিগী অচুম অরালগী ৱায়েল ফাওবা চত্থদ্রিবা অমদি হন্না য়েংশিনবিদবা হায়বা অসি রেসিএল দিসক্রিমিনেসননি হায়না প্রোলিটরিয়ান ফেমিনিষ্ট মুভমেন্ট, মণিপুর (পি ও এফ এম)গী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম সর্জুবালানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউশিংগা উন্নবদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদি মতিক চাবা লৈঙাক্কী কাংলোন অমনা চৈঙাক পীবিদ্রবসু মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা ইরমদমগী মায় ঙাক্লিবনি। হৌখিবা থৌদোক কয়াদা ইরমদম অসিগী শান্নরোই কয়া লৌনম তৌবিদুনা মতম পূম্নমক্তা নমথবিদুনা লাক্লি। অসিগুম্লবা থৌদোক কয়া অসি ঙসিদি অমুক ৱেথলিফটিংগী শান্নরোই কম্মনৱেলথ গেমস ২০১৪ অমদি ২০১৮দা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী খুমুকচম সঞ্জিতাগী চাকথুং ওইররে।

থৌওং অসি খুন্নাই অসিগী শান্নরোইশিংদা পোলিটিকেলগী ওইবা চৈঙাক পীবিদবগী খুদম অমনি। মণিপুরগী নুপী শান্নরোই অমদা পীরিবা চৈথেং অসিগীদমক পি ও এফ এমনা তুমিন্না খক লৈথোক্লোই। সঞ্জিতাগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফঙনবা লৌফম থোকপা থৌদাং শোয়দনা লৌগনি। মসিগী মতাংদা থা অসিগী ২৪ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা লিদর্স মিট মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। মিট অসিদা হিরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা অমত্তা ওইবা ৱারেপ লৌদুনা মখা তাবা খোঙজং চত্থনবা ফিরেপ লৌগনি। ক্লব ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী, শান্ন খোৎনববু থৱাই য়াওবা খুদিংমক্না মিট অসিদ শরুক য়াবিয়ু হায়নসু মহাক্না অপিল তৌখি।

# উচেক চোঙা অমুবি কন্নবা এৱেয়ারনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ঃ

চোঙা ফাওন্দেসন ৱাঙুনা শীন্দুনা নো বার্দ নো লাইফ, সেফ ইনভাইরন্টমেন্ট ফোর অৱার ফ্যুচর হায়বা থিমদা উচেক চোঙা অমুবী কন্নবগী মতাংদা এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বি কেন্দ্রগী মনুং চনবা ৱাঙু লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম য়ুগী প্রোফেসার ওইরম্বা ডা. কে ঐচ শামুঙৌ, কুম্বি কলেজগী প্রিন্সিপাল কে জুগেশ্বর, ৱাঙু জি পিগী প্রধান অঙোম ওংবী বিনা দেবী, বোরায়াংবী জি পিগী প্রধান টি ঐচ বিনোদকুমারী দেবী অমদি টেরাখোঙ জি পিগী প্রধান পি বালেশ্বর অমসুং ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়াগী মরু ওইবা থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

চোঙা হায়বা উচেক মখল অসি কন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা এস ঐচ বঙ্কিমনা ফোঙদোকখিবদি চোঙা হায়বা উচেক মখল অসি কলহৌদ্রবদি তুংগী মীরোলদা অশুক্কী মতিক অৱাবা পীবতা নত্তনা উচেক মখল অসি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। অদুনা মীয়াম্না উচেক মখল অসি কন্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীয়ু।

**লমায় ১ গী মখা**

## প্লাষ্টিক ফাগৎলিবসিনা অহানবা...

মখা তাবা ওইনা হৌখিবা চহী ২০১৭কী সেপ্তেম্বর ১২দা লমদমসিগী লৈঙাক্লসু মাইক্রোন ৫০শিং থীংনবা অকন্নবা ৱাফমশিং থমখিবনি হায়খি।

কৈথেলদা শীজিন্নরিবা অপাবা মখলগী প্লাষ্টিকশিং অসিনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা পাম্বী, শা-ষণ, মীওইবনচিংবা অপীকপা জিবা পানবশিংদা মাঙনিংঙাই ওইরবা কয়া থোকহল্লি। হন্দক থেংনরিবা ঈশিং-ঈচাওশিংসু নৈনবা য়াই, মীওইবনা শীজিন্নখ্রবা অচাইবা প্লাষ্টিকশিং মৈথারুবদগী হকচাংদা মখল-মখা কয়াগী লাইনা থোকহল্লক্লবগী মচাক অমা ওইরিবনি।

শীজিন্নখ্রবা অথাবা মখলগী প্লাষ্টিকশিংবুদি অমুক হন্না (রিসাইক্লিং) তৌদুনা কান্নবা য়াবা মওংশিংদা ওন্থোক্তুনা শীজিন্নবা য়ারি। মখা তাবা ওইনা অপাবা মখলগী প্লাষ্টিকশিংবু শীজিন্নরিবা, য়োল্লিবশিংনা লৈবাকসিগী ইনভাইরোনমেন্টেল প্রোটেক্সন এক্টকী সেক্টর ১৫গী মখাদা কন্নাগুম্বা মীওইশিংদা অথীংবা থম্ববু শীজিন্নরম্বগীদমক ৱাকোং শেল (ফাইন) ওইনা লুপা লাক্ষ ৫ থিবগা লোয়ননা চহী মঙাসু জেলদা থম্বা য়ারি।

কৈথেলদা মীয়াম্না মশীং য়াম্না শীজিন্নরিবা অপাবা মখলগী প্লাষ্টিক খাউশিংবু মহুৎ শিনবা য়াবা চেগী খাউ শাননবগী পাউ ফাওনখ্রে। অদুগা মীওইবদা শোকহন্দবা বাইও-দাইগ্রেদেবল প্লাষ্টিক খাউনাচিংবশিং মমল খরা তাঙ্গলসু মহুৎ শিন্ননবা থৌরাং তৌরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ফম হোংদোক্লহনখ্রে

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফম অসিবু ইন-চার্জ ওইনা পুরকখিবী ফ্লোরেন্স এন লেঙেননা ৯শুবা আইআরবিদা, চুরাচান্দপুরগী ব্রুমেন পিএসকী ওসি ইন-চার্জ ওইরম্বী চিননৈলম গাংতেনা ৯শুবা আইআরবিদা লৈবগা লোয়ননা পিএস অসিগী ওসি ওইরগনি। অমসুং চুরাচান্দপুরদগী সেন্দি এল তোন্সিংনা ৯শুবা আইআরবিদা লৈবগা লোয়ননা এসপি চুরাচান্দপুরগী ওফিস্তা এটেচ তৌরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, নৌনা পোষ্টিং পীরবা ইন্সপেক্টরশিং অসি চহীসিগী এপ্রিল ১৯দা হোম দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওর্ডর অমগী মতুং ইন্না সব-ইন্সপেক্টরশিংদগী ইন্সপেক্টরদা প্রমোসন পীখ্রবনি।

অমরোমদা দিজিপিগী ওর্ডর অসিগী মতুং ইন্না নৌনা পোষ্টিং পীরবা নুপা ইন্সপেক্টরশিং অদুনা-ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টতগী এম দিগবিজয় মৈতৈনা ককচীং পিএসকী ওসি, পিএস অসিগী ওসি ওইরম্বা এস নন্দবাবু শর্ম্মনা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টতা,সনাকৈথেল পিএসকী ওসি পিআর সানরৈ তাঙ্খুলনা ফুংয়ার পিএসকী ওসি, উখ্রুলগী কারদা লৈরম্বদগী চছাদ পিএসকী ওসি ওইনা ট্রান্সফর তৌরুরবা চোংরৈঙম রাইসিংনা মহাক্কী হান্নগী মফম অসিদা অদুম্মক লৈরগনি। কৈবুল লমজাও পিএসকী ওসি ওইরম্বদগী সিআইদি (এসবি)দা ট্রান্সফর তৌরুরবা দব্লিয়ু ইবোচানা লোক্তাক পিএসকী ওসি ওইরগনি। পিএস অসিগী ওসি ওইরম্বা এল মেঘবর্ননা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টতা লৈরগনি। লোয়ননা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টতগী এমদি জহুর অলিনা ৮শুবা আইআরবিদা লাক্লগা সিআইদি (সিবি)তা এটেচ তৌরগনি। অদুগা কেঐচ দুনেশ্বরনা সিআইদি (এসবি)দা লৈরগনি।

## নম্বুল তুরেলদা লুপখিবা চহী...

থৌদোকসিগা মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী হকচাং রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম ইগজামিনেশন তৌরবা মতুংদা ইমুংগী মীওইশিংদা শিন্নবদগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

# নরেন্দ্র মোদিগী চহী মরি লৈঙাকপদা মায়থিরিবশিং লৈবাক শীনবা থুংনা খঙহন্নবা কেম্পেইন চত্থরগনি ঃ এম নর

ইম্ফাল, জুন ২০ঃ

সেন্টরদা হৌজিক নেসনেল দিমোক্রেটিক এলাইন্স (এন দি এ)না লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিগী চহী মরিগী লৈঙাক্লকপদা মায়থিরিবশিং লেফ্ট দেমোক্রেটিক এলাইন্সনা লৌবক শীনবা থুংনা খঙহন্নবা কেম্পেইন চত্থরগনি হায়না কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্ত্রেল একজিক্যুটিব মেম্বর এম নরনা হায়খ্রে।

বি টি রোদ পরিংগী ইরাবত ভাবনদা লৈবা কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া ষ্টেট কাউন্সিলদা পেত্রোল, দিজলগী মমল হেনগৎপা, এটোনোমসন নাগা টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল শেম্বা য়ারোই, সিটিজেনসিপ এমেন্টমেন্ট বিল ২০১৬ হন্দোক্কদবনি হায়বা ৱাফমশিংদা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱাঙাংখিবশিংগী মনুংদা সি পি আইগী সেন্ত্রেল একজিক্যুটিব মেম্বর ওইবদা নত্তনা হান্নসু আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর ওইরম্লবা কমরেদ এম নরনা হায় পার্টি অসিনা শীন্দুনা লৈবাকসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফমশিং ঙসি পাক শন্না ফম্মী।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকসিদগী লৈবাক শীনবা থুংনা হিরম খুদিংদা ৱাথোক কয়া মায়োক্নরকখিবনি। লোয়ননা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা শক-চু খেন্নবা খাইদোকপগী ৱাখল্লোন্দা অনৌবা বিল কয়া পুথোকন্নবা হোৎনবা, লাইনীং লম্বীদসু য়ুম্ফম ওইদুনা মখা তানা সেন্টর লৈঙাক্না অনৌবা লালোং য়াৎলকখিবনি। অকক্লবা লাইনিং লম্বী খরদা অয়াবা পীবা কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজনশিংগী মায়োক্তনি হায়দুনা মীয়াম্না অসামদা নত্তনা অতৈ মফমশিংদা লাঙনরকখিবনি।

লমদমসিবু নাগা একোর্ট নচিংবশিং ঙসি ফাওবদা সেন্টর লৈঙাক্না খঙহন্দনা লাকখিবনি। ৱাফমসিদসু লমদমসিগী মীওই কয়ানা মখল মখা কয়াগী খোঙজংগা লোয়ননা একোর্ট অদুবু খঙহন্নবা মমাঙদগী খোঙথাংজিল্লক্লি। নীংশিংবা য়াবা অমনসু মীয়াম্না নুংতিগী শীজিন্নরিবা থাওগী মমল মালেমগী কৈথেলদা হান্থরগুম নোংমা খজিক খজিক অক্না অকুম তৌশিন্দুনা হেনগৎপগী খুদমশিং লৈরিবনি। কো ওপরেটিব হাউসশিংদা পেন্নবা হোৎনবদা মীয়ামদা অৱা অমদি মায়োক্নরি। কোওপরেটিব হাউসশিংনা বি জে পিগী মীখলশিংদা সেল থাদবগী খুদম লৈরি।

বি জে পিনা চিন্দা লাউরিবা সব কা সাথ, সব কা বিকাস হায়বসিগী মহুত্তা কোওপরেটিব কয়া সব, অমির য়োঙ্কা বিকাস হায়বগা মান্নরে। ইনাক কৈরাক খুনবা নিংথৌরেলশিংগী নুঙাইন্না বি জে পিনা লৈঙাকপনি হায়না হায়রি।

মখা তাবা ওইনা লৈবাকসিগী কচিন কোয়া শিনবা থুংনা ওইনা মীয়ামদা কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি অমসুং লেফট প্রোগেসিপকী সেক্সন কয়ানা অকনবা ইকোনোমিক ষ্ট্রকচর অমা পায়খৎন্নবা আগষ্ট ১দগী ১৪ ফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি।

মখা তাবা ৱাঙাংলোই ওইনা সি পি আই ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরী লাইশ্রম সোটিনকুমারনা হায়, লৈবাকসিগী মোদি লৈঙাক্না মীয়ামদা হায়ফম খঙদনা অৱাবা চৈথেং নংহল্লে। লৈবাকসিগী লন থুম চাদ ৫৩দি কোওপরেটিব হাউসনা কন্ত্রোল তৌরগা চাদ অমনা লৈবাক্কী লন থুম্মি। পেট্রোলিয়ম প্রদকশিং অম্বানিদা শীন্নখ্রে। গভর্ণমেন্টগী ওফিসনচিংবশিংসু প্রাইভেটাইজেসন মথং মথং চত্থরকখিবনি। লমদমসিদসু লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিংদা ইলেক্সন মমাঙদা ৭ পে পীগনি হায়ন্নগা নুমিৎ ৮০ রোম মুক্রদুনা লৈখিবনি। মসিদা নত্তনা এম য়ুগী ভাই চাঞ্জেল্লর অসিসু আর এস এস ওইবনা ইরাং কয়া থোক্লিবনি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়াগী মহৈরোইশিংগা চাংদম্নবদা মীংচৎ পুরকপা ঙমদ্রে।

থৌরম অদুদা সি পি আই সেক্রেটরিয়েৎ মেম্বর লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, অথোকপম লালা, নোংথোম্বম শিংহজিৎ, কে ঐচ সুরচন্দ্র, আর কে অমুস্না অসিনচিংবনা প্রিসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

# ওইনাম কেন্দ্রদা 'গো টু ভিলেজ' মিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ঃ

হৌখিবা মে থাদগী হৌদুনা চত্থরকখিবা খুঙ্গং চৎলু (গো টু ভিলেজ) মিসনদা পেন্দিং লৈহৌবা ফঙফম থোকপা বেনিফিসরিশিংগী মরু-মরাং, হেল্থ কার্দ, স্প্রে পম্প অমদি নরেগাগী জোব কার্দশিং ঙসি ওইনাম কেন্দ্রগী এম এল এ ওইবতা নত্তনা মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকী চেয়ামেনসু ওইরিবা এল রাধাকিশ্বরনা মহাক্কী কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা খুঙ্গং অহুমদা চৎতুনা বেনিফিসরিশিংদা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং য়াওনা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদু খোইজমান খুঙ্গংগী ওইনা খোইজুমান কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্তুনা লমদম অদুগী লৌমীশিংদা দিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী খুত্থাংদা চাথোক লৈবা মরু মরাং কয়া লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি লোয়ননা জোব কার্দসু খূৎশিন্নখি। ইরেংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী ইরেংবম মমাঙ কম্ম্যুনিতিহোলদা পাঙথোক্তুনা লৌমীশিংদা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নগদবা ৱাটর পম্প, অনা লায়েংগী চীফ মিনিষ্টর হকশেল কার্দ অমদি নরেগাগী জোব কার্দশিং য়েংথোকখি। লোয়ননা হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু চাথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা মরু মরাংশিংসু লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এল রাধাকিশ্বরনা হায়, পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসি মীওই অমখক্কী নত্তে। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগীনি। মরম অসিনা সরকারনা য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। করিগুম্বা সরকারগী স্কিমশিংদা সজেসন পীনিংবা লৈরবদি পীবিয়ু হায়নসু মহাক্না অপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুরগী দি সি পৱান যাদব, এস দি ও ললিথাম্বিগৈ, বি দি ও এল মনিকান্ত, এস দি ও নম্বোল সি ঐচ বোবো সিংহ, এগ্রিকলচর ওফিসার কুমার, ইরেংবম জি পিগী প্রধান আই গোপেন লোয়ননা ইলেক্টেদ মেম্বর প্রধান কয়াসু শরুক য়াখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## এম য়ু কেম্পসতা খূৎলায় মতিক চানা পায়বা ...

খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেস খুদিংমক থিংদুনা লৈরিঙৈদা রেজিষ্টার ইন চার্জনা কন্ত্রোল্লর ইন চার্জ অমা অমুক হাপচিল্লকপা হায়বসি ইশু অসি লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা মহৈরোইশিংবু করেম্নবনি হায়না লৌই। ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা নন টিচিং ষ্টাফশিংবু কিহন্দুনা ওফিস কারক্তবা য়ারোই হায়বা দিপ্যুতি রেজিষ্টার আর কে জোতিনগী য়াথং অদুগীদমক ইকায়বা পোকই হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা এম য়ুগী মরু ওইবা দোক্যুমেন্ট খুদিংমক লোৎশিন্দুনা থম্বা অমদি ঙসি ফাওবা তাদ্রিবা পোষ্ট কয়া পায়শিন্দুনা থল্লিবা দিপ্যুতি রেজিষ্টার আর কে জোতিন খুদক্তা রিজাইন তৌগদবনি।

চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিবু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা ইনফোর্মরশিংগী থৌওংবুসু মুসুনা কন্দেম তৌরদুনা করিগুম্বা মখা তানা তৌরক্লবদি মদুদগী থোরকপা অফ-ফত্তগী দাইত্ব মশা মশানা পুজগদবনি হায়রি।

## গভর্ণমেন্ট অসিদি চিনখক্তদা লাওবনি থবক ওইনদি...

গভর্ণমেন্ট অসিনা লাওবদদি ঈশিং লিত্তে, অদুবু করিসু তৌবা ঙমদবগী মওংদা তৌবা অসিনা পুক্নিংদা নুংনাঙবা ফাওদবা নত্তে।

কংগ্রেসগী মতমদা পায়খৎলম্বা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্টকী মখাদা বিনিফিসিয়ারিশিংদা পীগদবা কার্দশিং হৌজিক ফাওবা গভর্ণমেন্ট অসিনা পীথোকপা ঙমদে। মসি প্রজাশিংদা গভর্ণমেন্ট অসিনা লাক্লগে য়াওনা লাক্লরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। এম এল এ ওইরিবশিংদা বদনাম শিজিন্দুনা মখোয়না তৌফম থোকপা কয়া তৌদনা লোত্তুনা থল্লিবা অসি থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওই।

গভর্ণমেন্ট অসিনা ফুদ সেক্যুরিতি এক্টকী মখাদা বিনিফিসিয়ারিশিংনা পায়গদবা কার্দশিং অদু য়েন্থোকপীয়ু। পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা লম্বী থোং শেম্নবা তেন্দরশিং মতিক চাবা মীওইশিং খনলগা পীথোকপীদুনা ফংফম থোকপশিং অদু ফংহনবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

অহল ওইরবা মীওইশিংদা পীরম্বা পেন্সন ঙসিদি কদায়দা চৎখ্রে। স্কিম অসিগী মখাদা পীফম থোকপা শেনফম চহি অমা মখায় ফারক্লবা ফাওবা য়েন্থোক্তনা লৈরি, লুখ্রাবীশিংদা পীরম্বা বেনিফিটশিং অসিসু ঙসি ফাওবা য়েন্থোক্তনা লৈরি।

সেন্টরদা লৈরিবা নোংমা নোংমগী মরাই চাইথরক্লবা গভর্ণমেন্ট অসিনা দিমোনিতাইজেসন্না প্রজাশিংদা অৱাবা পীখ্রবা মতুংদা জি এস টিনা মরম ওইদুনা মশাগী শেনফম খরনা করবার তৌদুনা হিংজরিবা মীওইশিংদা শাফু পীদুনা প্রজাগী শেনফম্না লৈবাক চল্লাইনবা হোৎনরিবা অসি প্রজাশিংদি খঙদে।

প্রজাশিংনা পোৎ চৈ লৈবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা অসিনা প্রজাশিং হায়নিঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্নরি হায়খি। লোয়ননা প্রজাশিংগী ফংফম থোকপশিং অদু ফংহনবীয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা য়ুম কৈ লৈজদব্রা মীওইশিংগী য়ুম শানবগীদমক শেম শাদুনা লৈরিবনি। ফন্দ হেক থাদোকপীরক্লবদি অথুবদা শানবা থৌরাং লৈরবনি। চেদখক থবক তৌবগী মহুত্তা থবক ওইনা উৎপীদুনা থাদোকফম থোকপা শেনফমশিং থাদোকপীরো হায়খি।

পাটশোয় পার্ট টুগী অৱাং লৈকাইদগী মখা লৈকাই তাবা ফাওবা অসি নোং খজিক্তং চুরকপগা ঈশিং থুমজিনবা অসি দ্রেন অসি নিংথিনা কোত্থোক্তুনা দরকার লৈবা কলভর্ট অমসুং মেছিনরিশিং পীগনি হায়খি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, মমাংদা মীয়ামগী মতেংদগী মিনিষ্টর ওইনা থবক পুরম্লবা মতুংদা অনিশুবা টার্ম অসিগী ওইনা অহানবা শঙ্গাবা কম্ম্যুনিতি হোলনি।

কেন্দ্র অসিগী ওইনা অনীশুবা তার্ম অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী ওইনা লম্বী থোংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা চংশিনবনি। হৌজিক ফাওবদা তাকয়েল খোঙবালগী লম্বী, তোংব্রম লৈকাইগী লৈরকশিং, খম্নাম লৈরক, লৌখাম লৈরক অসিসু কোইলাস থাবা লোইখ্রে। শাদোকপমদগী পাইতে ভেঙ ফাওবা অসি লম্বী তঙ্খায় অমা কোইলাস থাবা লোইরে। তঙ্খায় অমনা কলভর্ট নৌনা চন্দুনা শেম শাবগী থবক চত্থরি।

শাংলবা মতম কয়া লম্বী থোং শেম্নমদবদগী অহানবা চহিদা শেম্বা লোইশিনলক্লে। অনীশুবা চহিগী ওইনা তাউবুংখোক্তগী চঙাঙ্গৈ তাবা শরুক অসি শেম্নবা পকা লৌবা হৌরে, য়েঙ্খোম লৈরক, হৈনৌবোক, পাৎশোই পাট টুদগী থ্রি তাবা লম্বী, চঙাঙ্গৈগী শরুক খরা য়াওনা লম্বী খরা অসি শেমগৎনবা হোৎনরি।

ইং ২০১৮-১৯গী প্রোগ্রামদা অয়াম্বা হাপ্পবা হোৎনরি। এন আর ই জি এসকী মখাদা পীথরিবা ফন্দশিং অসিদি লোকেল ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী খুত্থাংদা পীথরিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবী হান্নগী খাঙবোক কেন্দ্রগী এম এল এ ও লন্ধোনিনা হায়, কুমারি মিরাবাই অসি টার্ম অনীরক কারবা মতুং অসিদা মীয়ামগীদমক হেন্না থবক হেন্না তৌনিংবগী ৱাখল হৌজিকসু হনবা লৈতনা চংশিল্লি।

মীয়ামগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি লোইবা খম্বা নাইবা নত্তে। অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনি। গভর্ণমেন্ট শেমলম্লবদি মিনিষ্টর অমুকসু শোয়দনা ওইরম্বা য়ারিবনি। অদুবু এম এল এ ২৮ কাবা কংগ্রেসপু গভর্ণমেন্ট শেমহনখিদবদগী সাসন পায়হৌদবনি। মীয়ামগী সেবাগীদমক মহাকপু মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা চঙাঙ্গৈ জিলা পরিষদ মেম্বর সিনাম মার্জিৎ খুমন, তোঙান তোঙানবা পাৎশোই কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধানশিং, ৱার্দ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অদু লাইশ্রম কামেশ্বর সিংহনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।